**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 02-11-2025)**

**প্রচার (এল)ঃ** রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি-হিন্দিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপদা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্টরদা ঙসি পাঙথোকখিবা মণিপুর রাষ্ট্রভাষা প্রচার সমিতিগী ৭৫ শুবা কুমওন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সনাজাউবনা হায়-লৈবাক অসিগী মপুং ওইবা লোল অমা ওইরিবা হিন্দি লোল নীংথিনা খঙ-হৈবনা হীরম কয়াদা কান্নবা ফংগনি।

মহাকা হায়-হিন্দি লোল অসি ঙসিদি ভারত খক্তদা নত্তনা মালেমগী অতৈ মফম কয়াদসু ঙাংনবা লোল অমা ওইরক্লি। ভারতনা নংতম্লবা মতুংগী চহি ৭৫ গী খোঙচৎ অসিদা হিন্দি লোলসু নোংম-নোংমগী চাউখৎলক্লি।

**হেলথ(এল)ঃ** মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা অঙাংশিংদা ওইরকপা য়াবা ৱাখলগী লায়নাশিংদগী ঙাকথোকবা ঙসি মেন্টেল হেলথ এন্দ সাইকো সোসিএল সপোর্ট ক্লিনিক অমা পাঙথোকখ্রে।

য়ুনিসেফকা খুৎশমদুনা মনিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম.সি.পি.সি.আর) না শিনদুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনামদা লৈবা জোয়সনা রিত্রিটতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদগী লাকপা অঙাং ১৮ লোমা শরুক য়াখি। অঙাংশিং অদুবু কাউন্সিল্লিংসু পীখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এম.সি.পি.সি.আরগী চেয়ারপার্সন-কৈশাম প্রদিপকুমারনা হায়-মনিপুরগী চীং অমদি তম্পাক্কী মফম কয়াদা লৈরিবা

লাঞ্জেন্নরকপা অঙাং লিশিং মরিরোমদা হায়রিবা থৌরম অসিগী কান্নবা ফংহনখ্রে। মসিনা মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা শোকহল্লবা অঙাংশিংগী ৱাখল লৌশিংদা হেন্না মঙাল পীবা ঙম্লগনি।

**দেঙ্গি (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি পুন্না দেঙ্গিগী সেম্পল ১৫ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১১ পোজিটিব ওইবা থেংনখি।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-জেনিমস হোস্পিতালদা সেম্পল ১৫ টেষ্ট তৌবদা ১১ পোজিটিব ওইখি।

**সাইভর(এল)ঃ** সাইভর ক্রাইমগী ভিক্তিম ওইরবা মীওই অমনা মশাগী হক অমদি ইকায় খুমবা কঞ্জনবগীদমক মরী লৈনবা মীওইশিংদা ইরায় লায়না ৱাকৎপা য়ারে।

সাসভর ক্রাইম দোট জি.ও.ভি. দোট ইনদা চংদুনা 'ফাইল এ কমপ্লেন্ট' তা মহাক্কী ৱাকৎ অদু থাংগৎপা য়াগনি। ভিক্তিম ওইরিবা মীশক অদুনা কোর্টকী মতেং লৌদুনা মশা ঙাকথোকচনবা অমদি ক্ষেতিপুরোনসু তানবা য়াই। হীরম অসিগী মতাংদা এদভোকেট-চোংথাম ভিক্তরনা অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুদা অসুমা হায়-

**চাক্কৌবা (এল)ঃ** ককচিং জিলাগী রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা নুপীশিংবু নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং ৱাইরি কোঙ্গোই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

নহাশিংগী খোঙথাংনা শিনবা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী এস.পি. প্রিয়াদরসিনি লাইশ্রম শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা নিংঙোলশিংবু খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুমবসু উৎখি।

**য়ু (এল)ঃ** মনিপুর সরকারগী এক্সাইস দিপার্টমেন্টনা ঙসি লুপা কোতি অমা লাখ ২২ রোমগী মমল ওইগদবা য়ু লিক্লিশিং থুগায়দুনা মাঙহনখ্রে।

দিপার্টমেন্ট অসিগী এস.পিগী মতুং ইন্না য়ুশিং অদু চহি অসিগী জানুৱারী থাদগীনা ওক্তোবর ২৯ ফাওবদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ফাগৎলকপনি।

**ৱেদর (এল)ঃ** মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা শাবগী চাং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি।

ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই.এম.দি) না পীবা ৱেদর ফোরকাষ্ট অমগী মতুং ইন্না মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা চৎলিবা নবেম্বর থা অসি মহৌশাগুম থোইনা ইংলোইদৌরি। আই.এম.দিগী পাউগী মতুং ইন্না হায়রিবা থা অসিদা  শাবগী চাং হেনগৎপগা লোয়ননা নোংসু চাং অমদা তারবা য়াই।

**থৌবাল (এল)ঃ** মীসন ট্রান্সফোরমেসন ওফ গভরমেন্ট স্কুল (এম.টি.জি.এস) না শিনদুনা ঙসি মরিশুবা ষ্টেট লেবেল এম.টি.জি.এস. কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে।

মনিপুরগী ওইনা সেন্টর অহুমদা কেটেগোরি অনি থোকা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা থৌবাল জিলাগী ওইনা মহৈরোই ৫৫৮ লোমনা শরুক য়াদুনা থৌবাল কলেজতা পাঙথোকখি।

**বিদ্যা (এল)ঃ** বিদ্যা ভারত্তি শিক্ষা বিকাশ সমিতি-মনিপুরনা শিনদুনা সবতাহ শক্তি শঙ্গম-২০২৫ ঙসি নিংথৌখোংদা লৈবা বাল বিদ্যা মন্দিরদা পাঙথোকখ্রে।

নুপী খক্তগী ওইবা মীফম অসিদা ভারত সংবিধানদা নুপীগী হক অমসুং থৌদাংগী মতাং, হৌজিক্কী সমাজ অসিদা নুপীগী থৌদাং অমসুং নুপীশিংদা স্কিল

দিবলপমেন্ট হেনগৎহন্নবগী মতাংদা খন্নখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** চান্দেল জিলাদা ঙসি ৱার্ল্ড সন্দে স্কুল ডে-২০২৫ গী পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

জিলা অসিগী চর্চশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা লুপ কয়ানা শিনদুনা অঙাংশিংগী ওইবা থৌরম কয়া পাঙথোকপনা পালন নুমিৎ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

১৭৮০ দা ইংলেন্দদা রোবার্ট রেকিসনা ইহান হানবা ওইনা সন্দে স্কুল হৌদোকখিববু নীংশিংবা ওইনা নুমিৎ অসি পালন তৌবনি। পালন থৌরম অসিনা নহা ওইরিবা অঙাংশিংদা মহৈ-মশিং তম্বীবা অমসুং অপুনবগী ওইবা মরি শাগৎপগী ৱাখল্লোন চেলহল্লি।

**মায়ওল(এল)ঃ** মনিপুর য়ুথ লিগ (ময়োল) লিংখৎখিবা চহি অনি ফারকপগা মরী লৈননা লুপ অসিনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কৈবীদা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা চান-থকবা অমদি লাইরিক তম্বদা চংবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

**রাস্ত্রপতিঃ** ২০৪৭ ফাওবদা ভারতপু চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবা থল্লিবা পান দম অদু ফংনবা নুপা-নুপী খায়দনা পুন্না হোৎনমীন্নবা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি।

হরিদ্বারদা লৈবা পতাঞ্জলি য়ুনিভরসিতিগী অনিশুবা কনভোকেসন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা রাস্ত্রপতিনা নুপীশিংবু শিক্ষা পীবগী মরুওইবদু পনখি। শ্রীমতি মুরমুনা হায়-নুপীমচাশিং মহৈ মশিং নিংথিনা হৈহনবনা লৈবাক অসিগী চাউথোকপসু হেনগৎহনগনি। তুংদা, রাস্ত্রপতিনা রাজপুর রোডতা শাবা ফুট ওভর ব্রিজ অমসু শঙ্গাখি অমসুং রাস্ত্রপতি নিকেসনদা পাঙথোকপা ইন টরনেসনেল লিটরেচর কলচর অমসুং আর্ট ফেষ্টিবেলদা শরুক য়ারিবা

মীওইশিংগসু ৱারী শান্নখি।

মদুগী মমাংদা, মহাকপু দেহরাদুনগী জোলি গ্রান্ট ইয়ারপোর্টতা রাজ্যপাল-লেফটনেন্ট জেনরেল-গুরমিত সিংহ অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-পুস্কার সিংহ ধামিনা তরামা ওকখি। নীংশিংবা য়াই, রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু নুমিৎ হুমনিগী উত্তরাখন্দ খোঙচৎতা ঙসি অয়ুক রাজ্য অদুদা থুংখিবনি।

**বিহারঃ** বিহার বিধান সভাগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোট খোম্বগী মতম নুমিৎ নিনিখক্তা ঙায়শিল্লকপগা লোয়ননা স্তার কেম্পেইন্নরশিংনা মীখলগী রেল্লিশিংদা ভোট কন্না খোমরি।

বোসপুর জিলাগী অরাদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মাতিন অমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়-এন.দি.এগী মীখলগী মেনিফেষ্টোদা বিহারবু চাউখৎহনগনি হায়বগী অচেৎপা ফিরেপ য়াওরি। মহাগত-বন্ধনগী মেনিফেষ্টো অদুবুসু অরানবা ৱাফম কয়ানা থল্লবা অমনি হায়না মহাকা মরাল শিখি।

শ্রী মোদিনা হায়-এন.দি.এনা শিক্ষা, হকশেল, থবক পীবা অমদি ইথৈ লৌখোং শেমগৎপদা অকনবা মীৎয়েং চংলি। মুখ্য মন্ত্রি মহিলা রোজগার য়োজনাগী মখাদা বিনিফিসরি কোতি অমা লাখ ৩০ হেনবদা লুপা লিশিং তরা-তরাগী শেলগী তেংবাং ফংহনখ্রে হায়নসু শ্রী মোদিনা ফোংদোকখি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-জনাত দল য়ুনাইটেদকী নেসনেল প্রসিদেন্ট অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-নিতিশ কুমারসু মুঙ্গর জিলাগী তরাপুরদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা ৱা ঙাংখি। মহাকা হায়-রাস্ত্রিয়া জনতা দলনা শাগৈগী ওইবা রাজনিতিদা থাজবা থল্লি। মরম অদুনা দল অসিনা বিহারবু কৈদৌনুংদা চাউখৎহনবা ঙমলোই। মহাগত-বন্ধনগী মীখলগী মেনিফেষ্টো অদুবু মীয়ামবু লান্না লমজিংগদবা ৱাফমশিংনা থল্লবা অমনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

কংগ্রেস লুচিংবা অমসুং রাজস্থানগী হান্নগী উপ মুখ্য মন্ত্রি-সাচিন পাইলোটনা পাটনাদা হায়-মুখ্য মন্ত্রি নিতিশ কুমারনা বিহারদা চহি ২০ সাসন

তৌরক্লে অমসুং রাজ্য অদুনা শেল থুমগী ফিভম ফৎত্রিবা অমসুং শোৎখরিবা অদুগী দায়ত্ব এন.দি.এনা লৌগদবনি হায়রি।

কংগ্রেস এম.পি. রাহুল গান্ধিনা হায়-মহাগত-বন্ধননা করিগুম্বা বিহারদা শক্তি পায়রক্লবদি রাজ্য অদুদা খ্বাইদগী ফবা মখলগী শিক্ষা ফংহনগনি।

**ইসরোঃ** ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো) না লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী লুম্বা কম্যুনিকেসন সেটিলাইট (সি.এম.এস-জিরো থ্রি) ঙসি নুমিদাংৱাইরম অন্ধ্র প্রদেসকী শ্রীহরিকোটাদা লৈবা ছাতিস ধৱান স্পেস সেন টরদগী মায় পাকা থাগৎখ্রে।

ইসরোগী পাউনা হায়-সি.এম.এস. জিরো থ্রি অসি ভারতকী কংফালগী শরুক য়াওনা পাক চাউরবা সমুদ্রগী শরুক্তা সার্ভিস কয়া পীগদবা মল্টি বেন্দ কম্যুনিকেসন সেটিলাইট অমনি। এল.ভি.এম.সি. রোকেট অসি ভারতকী খ্বাইদগী লুম্বা লোঞ্চ ভেহিকলনি অমসুং মসিনা স্পেসতা কিলোগ্রাম লিশিং মরি ফাওবা পুবা ঙম্মী।

**সমেলন ঃ** প্রসার ভারতিনা কলচর মন্ত্রালয়গা খুৎশমদুনা লৈবাক শিনবা থুংবগী সেন্তর ২৪ দা থা অসিগী ২৯ ফাওবদা পাঙথোক্কদবা অকাশবানি সঙ্গীৎ সমেলনগী ৬৭ শুবা ইদিসন ঙসিদগী হৌরে। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা দিল্লি, মুম্বাই অমসুং চেন্নাইদা কন্সর্টশিং পাঙথোক্লি অমদি লৈবাক অসিগী সহর ২৪ দা ক্লাসিকেল ম্যুজিক পার্ফোমেন্সশিং উৎলি।

ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাস্টিং মন্ত্রালয়গী চেরোল অমদা হায়- ১৯৫৪ দা অকাশবানি সঙ্গীৎ সমেলন হৌদোকখিবদগী হৌজিক ফাওবদা মসি ভারতকী খ্বাইদগী ইকায় খুমনিঙাই ওইরবা কলচরেল ত্রেদিসন অমা ওইরক্লি। লৈবাক অসিগী মীয়ামদা হিন্দুস্তাননি, করনাতিক, লাইভ অমসুং ফোল্ক ম্যুজিকশিং তাহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। সমেলন অসিনা লৈবাক অসিগী

ইনাক খুল্লবা ঈশৈগী কলাশিং য়োকখৎতুনা থমবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

সমেলন অসিগী মতাংদা পল্লদুনা পসার ভারতিগী সি.ই.ও- গৌরব দ্বিবেদিনা হায়- চহি অসিগী ইদিসনদা সমেলন অসি পাঙথোক্কদবা মফম খুদিংমক্তা কন্সার্ট অনি অনি পাঙথোক্কনি। অমনা ইন্দিয়ান ক্লাসিকেল ম্যুজিক অমদি অতোপ্পা অমনা লাইট এন্দ ফোল্ক ম্যুজিক্কী কন্সার্ট ওইগনি। পনাজি অমসুং শিল্লোংদনা অখন্ননা ৱেষ্টর্ন ক্লাসিয়েল ম্যুজিকশিং পাঙথোক্কনি।

**পোলোঃ** মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী মখাদা চত্থরিবা ৩৮ শুবা এন.হজারি এন্দ ডা: এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-ব্লেক ৱাটস পোলো ক্লব-বাবুপারানা এক্স-পোলো ক্লব ৱাংখৈবু পাঞ্জল ৫-৮ দা অমদি থাংমৈবন্দ যুথ পোলো ক্লবনা মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এ) বু পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখ্রে।

**বোক্সিংঃ** বহরেনদা পাঙথোকখিবা অহুমশুবা এসিয়ান যুথ গেমসতা কিলোগ্রাম ৫০ গী কেটেগোরিগী বোক্সিং মশান্নদা ভারতকী টিমদা শরুক য়াদুনা লুপাগী তকমান ফংলকখ্রবা লনচেনবা সিংহ মোইবুংখোঙবম ঙসি মনিপুরদা থুংলখ্রে। মহাকা ইম্ফাল ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতা হেক থুংলবগা মীয়ামা হরাউ তয়ামা ওকখি।

**ফুটবেলঃ** সেক্তর হেদক্বাটর সি.আই ওপরেসন বোর্দর সেক্যুরিতি ফোর্সনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগা খুৎশমদুনা শিনবা চহি ১৫ মখাগী ষ্টেট লেবেল লেট কন্সটেবল দিপক চীংঙাখম বির চক্র ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-মৈরা এফ.সি.সিনা লিক্লম এফ.এবু পাঞ্জল ৬-২ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা-ইষ্ট কংলৈপাকনা জি.এফ.এবু পাঞ্জল ২-০

দা, নেসুনা কে.আই.ৱাই.সিবু পাঞ্জল ২-১ থোইখি।

**ফুটবেলঃ** জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা চথরক্লিবা ১৪ শুবা জদোনং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বাটর ফাইনেল মেটচ (দি) দা নদিলোং য়ুথ ক্লব অমদি সাতুদাই য়ুথ ক্লব পাঞ্জল ২-২ চৎখি। তুংদা, পেনালতি সুট আউতা নদিলোং য়ুথ ক্লবনা সাতুদাই য়ুথ ক্লবপু পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখি।

**ফুটবেলঃ** অহুমশুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ময়াং ইম্ফাল য়ুনাইটেদ এফ.সিনা রাইজিং এঠলেটিক য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ুনাইটেদ চান্দেল এফ.সি অমদি সঙ্গাই হেরোজ পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখে।

**সেপাক**ঃ ওল মনিপুর সেপাক তাক্রৌ এসোসিয়েসননা শিনদুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কাইরং মনিং লৈকাইদা ঙসি অনিশুবা সেপাক তাক্রৌ কোচিং কেম্প হৌদোকখ্রে। হৌদোকপগী থৌরমদা পদ্মশ্রী এম. কুঞ্জারানি দেবী শরুক য়াখি।

**ক্রিকেট**ঃ স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা ১৫৬ শুবা সি.আর.পি.এফ. বটালিয়ননা শিনদুনা চথরকপা জিরিবাম ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-ঈচেল ক্লব দিবোংনা বাবুপারা য়ুথ দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসনবু ৱিকেট অনিদা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট**ঃ লক্ষনৌগী ভারত রতা শ্রীঅতল বিহারি ভাজপায় একনাথ ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম (বি) দা চথরিবা চহি ১৯ মখাগী নুপীগী টি-টোইন্তি ত্রোফি প্লেট ৱিমেন্স য়ুথ টি টোইন্তি মেটচতা মনিপুরনা নাগালেন্দবু রন-৬৪ দা থোইখ্রে। পোইন্ট

টেবলদা মনিপুরনা পোইন্ট ২০ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

**স্পোর্টস**ঃ মহারাস্ত্রাদা পাঙথোক্কদবা ১২ শুবা নেসনেল দ্রাগ্রোন বোর্ড সেনিয়ার অন্দর থারটিন অমদি জনিয়ার চেম্পিয়নসিপ অমসুং অহুমশুবা পেরা দ্রাগ্রোন বোর্ড নেসনেল চেম্পিয়নসিপ ২০২৫-২৬ তা শরুক য়াননবগীদমক ত্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ৫ দা পাঙথোক্লগনি।

ওল মনিপুর দাগ্রোন বোর্ড এন্দ ত্রেদিসনেল স্পোর্টস এসোসিয়েসননা চথুগদবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসি কংলাদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

**থাং-তা**ঃ অচিপা থাং-তা শিদম শঙলেনগী ৪২ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা বাল বিদ্যা মন্দিরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা হৌদোকখি।